**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 30-06-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ৩০-০৬-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্দবগী থবক চথবদা দ্রগ য়াওনা য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎলে।

২) লৌউ শিংউ বিভাগকী দাইরেক্তর পিতর সলামনা হায়রি-খেট বচাও অভিয়ানগী মখাদা বিভাগ অসিনা বাইও-ফর্তিলাইজর শিজিন্নবগী মতাংদা ফার্মর ফিল্ড লেভেল দেমোন্সত্রেসনগী থৌরমশিং পায়খৎলি।

**অমসুং**

৩) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী নুমিৎ নিনিগী খোঙচত্তা অন্ধ্র প্রদেশ ঙসি চৎলগনি।

----

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্দবগা থবক চথবদা দ্রগ য়াওনা য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎখ্রে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়-বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং পুলিস স্তেসনননা কোনবা লোক্তাক পাৎ মনাক নকা লৈবা ফুবালা পাতোন এরিয়াদগী খূৎশু খূৎলাই কয়া ফারে। এরিয়া অদুদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা আর.পি.জি লোঞ্চর অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, লেথোদ বোম অনি, আর.পি.জি গ্রেনেদ অনি, আর্তিলরি সেল অমা, ত্যুব লোঞ্চর অহুম, মেগজিনগা লোয়নবা পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা, তোঙান তোঙানবা কেলিবরগী মরু ১৫, দিতোনেতর অমা, পোইন্ট থ্রি জেরো থি- এল.এম.জি মেগজিন অমা, এস.এল.আর অমা, হেলমেট অহুম অমসুং বুল্লেট প্রুফ কোভর অমা ফাখি।

জিরিবাম জিলাগী জিরিবাম পুলিস স্তেসনননা কোনবা সম্পানাগর ফোরেষ্ট এরিয়াদগী মণিপুর পুলিসনা তোঙান তোঙানবা কেলিবরশিংগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৬২৫, এস.এল.আর তরুক, এ.কে অমা অমসং্ মেগজিন মঙা ফাখি।

সেনাপতি জিলাগী সেনাপতি পুলিস স্তেসনননা কোনবা টি-খুলেন নাকা চেকপোইন্ট এরিয়াদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা তাতা য়োধা অমদগী মীওই অনি ব্রাউন সুগরগা কোন্ননা ফারে। ফারবা মীওই অদু কাংপোকপী জিলাদগীনি। মফম অদুদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা তাতা য়োধা অদুবু থৌরকখিবা দ্রাইভর অমদি মহাক্কা লাকমিন্নবা মীওই অমদগী ব্রাউন সুগর ওইগনি চিংনবা গ্রাম ৫০০ রোম হেনবা সো কেস ৪২, তাতা য়োধা অদু য়াওনা শেল ওইনা লূপা লিশিং ৫ ফাখি।

অমরোমদা, মণিপুরগী দি.জি.পি মুকেশ সিংহনা লো এন্দ ওর্দরগী এ.দি.জি.পিগা পুলিস হেদক্বাতরদা ওফিসরশিং অমসুং স্পিসিয়েল কম্মান্দো য়ুনিটশিংগী কম্মান্দরশিংগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা, রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা সেক্যুরিতিগী ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মীফম অদুদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ঙাকশেন্নবগীদমক শেম শারিবশিং নিয়ম চুমা মথৌ পাঙথোকবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

**ভিজিট (এল)ঃ** দি.জি.পি মুকেশ সিংহনা ঙরাং ককচিং জিলাদা লৈবা ৮ শুবা আই.আর.বিগী লৈকুনদা লৈবা হেদক্বাতরস অমসুং চান্দেল জিলাদা চত্তুনা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা মফম অদুগী ফিভমগী মতাংদা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অসিদা লো এন্দ ওর্দরগী এ.দি.জি.পিসু লোয়নখি।

ককচিং জিলাদা দি.জি.পিনা খুদোংথিনিঙাই ওইবা মফমশিংদা হৌজিক হৌজিক লৌউ শিংউগী থবক চত্থরিবা অদুদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা অকনবা চেকশিল থোরাং লৌখৎনবা দি.জি.পিনা হায়খি। রাজ্যগী পুলিস, সি.এ.পি.এফ.এস অমসুং সেন্ত্রেল এজেন্সীশিংগা উন্নরদুনা দি.জি.পিনা হায়-আইনগী ৱাংমদা খূৎশু খূৎলাই পায়রিবশিং অথুবা মতমদা লৌখৎনবা হোৎনবা, দ্রগ লল্লোনবশিং থিদোক্তুনা ফাগৎনবা, আইনগী ৱাংমদা থবক তৌবা মীওইশিংগী মথক্তা থিজিন হুমজিন্নবা ৱাফমশিং পনখি। ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা সাইকলদা পেত্রোল্লিং চৎলিবা অদুবু দি.জি.পিনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। লৈকুনদা লৈবা ৮ শুবা এম.আরগী হেদক্বাতরদা দি.জি.পিনা মফম অদুদা মথৌ তৌরিবা মীওইশিংদা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ঙাকবা পাউতাক পীখি। থবক খুদিংমক ইংনা চিকা শান্তি ওইনা পাঙথোকবসু হায়খি।

চান্দেল জিলাগী খোঙচত্তা দি.জি.পিনা চান্দেল এস.পিগী নৌনা শেমজিনবা কনফরেন্স হোল অমা অমসুং নৌনা শেমগৎলিবা সাইবর সেল শঙ্গাখি । সাইবল সেল অসি সাইবর ক্রাইমগী মতাংদা থিজিন হুমজিনবদা হেন্না শাফহল্লগনি। শ্রী মুকেশনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনগী মীহুৎশিং অমসুং অসাম রাইফলসকী মীওইশিং উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখি। মীপুম খুদিংমকা রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনবদা মতেং পাংবীনবসু দি.জি.পিনা আপিল তৌখি।

**এগ্রি (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী লৌউ শিংউ বিভাগনা ওর্গানিক ফার্মিংগী লৌউ পথাপ মাই পাকা পায়খৎনবা খোঙথাংগী মনুং চন্না লৌমীশিংদা

বাইও-ফর্তিলাইজর ফংহন্নবা অমসুং শিজিন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎলি। খোঙথাং অসিগা মরী লৈননা রাজ্যগী লৌউ শিংড বিভাগকী দাইরেক্তর পিতর সলামনা হায়-খেট বচাও অভিয়ানগী মখাদা বিভাগ অসিনা গ্রিন বাইওতেক্ট ইকো-সোল্যুসন লিমিতেদকা খূৎশমদুনা বাইও-ফর্তিলাইজর লৌমীশিংনা মতৌ করমা শিজিন্নগনি হায়বগী মতাংদা তাকপী তন্বীবা ফার্মর ফিল্ড লেভেল দেমোন্সত্রেসনগী থৌরমশিং পায়খৎলি। মসি বাইও-ফর্তিলাইজর শিজিন্নদুনা ওর্গানিক ফার্মিংগী মাইকৈরোমদা চংশিল্লকপগী অহানবা খোঙথাং ওইরি।

মহাকা হায়-বাইও-ফর্তিলাইজর প্রমোট তৌনবা অমসুং মসি শিজিন্নদুনা লৌ উনিংবা লৌমীশিংগীদমক বিভাগ অসিনা পায়খৎলিবা খোঙথাং অসি মখা তানা সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি (সি.এ.য়ু)গা খূৎশমদুনা পায়খৎনবা শেম শারি।

শ্রী পিতর সলামনা হায়-রাজ্য অসিদা মমাঙ চহীদা লম হেক্তর ২০ দা বাইও-ফর্তিলাইজর শিজিন্নদুনা লৌ উবগী ফিল্ড এক্সপরিমেন্ট মাই পাকা পাঙথোকখ্রে। মসিদা কেমিকেল ফর্তিলাইজর শিজিন্নবগী চাং চাদা ২৫ হন্থহনবা ঙমখি অমদি পোত্থোক্কী চাংসু চাদা ১০ দগী ২০ ফাওবা হেনগৎপা ঙমখি হায়বগী পাউ লৈ।

**মুরমু ঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী নুমিৎ নিনিগী খোঙচত্তা অন্ধ্র প্রদেশ ঙসি চৎলগনি। রাষ্ট্রপতিনা বিজয়ানাগরমদা পাঙথোক্কদবা সেন্ত্রেল ত্রাইবেল য়ুনিভর্সিতিগী অহানবা কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়াগনি। হয়েংনা আনন্থপুরামুদা পাঙথোক্কদবা সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিতিগী কনভোকেসন থৌরম অমদসু শরুক য়াগনি হায়রি।

**কন্দেমঃ** পাকিস্তাননা অফগানিস্তানদা নোংথক্কগী লান্দাববু ভারতনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অদুদা, নুপী অঙাং য়াওনা মীচম কয়া অশোক

অপন নংখি হায়রি। মপাল থৌরম মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়-পাকিস্তাননা অফগানিস্তানগী শান্তি অমসুং তংদু লৈতানা লৈরিবা ফিভমদা অকিবা পোকহন্দুনা মফম অদুগী নিংতম্বদা শিংনবা অসি য়ামমক পাঙদবগী থৌওংনি। ভারতনা অফগানিস্তানগী অৱা অনা তারবা ইমুং মনুংশিংগীদমক থমোই শোকা অৱাবা ফোঙদোরক্লি অমদি অশোকপা মীওইশিং অদু অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়না ইস্বরদা থৌনিরি। ভারতনা মতম চুপ্পদা অফগানিস্তানগীদমক লেপকনি হায়রি।

**ফিফা ঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপকী রাউন্দ ওফ থার্তি টুকী মেটচ অমদা ঙরাং ব্রজিলগা জপানগা শান্নখিবা মেটচতা ব্রজিলনা জপানবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ২দা শান্নখিবা মেটচতনা পেরাগুৱেনা জমর্নিবু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখ্রে । হৌজিক নেদরলেন্দস অমসুং মোরোকো লম্বা থেংনরি। রাউন্দ ওফ থর্তি টু মেটচ অসিদা ঙসি নুমিদাং পুং ১০ মখায়দা নোর্ৱেগা আইবোরি কোচকা শান্নগনি । নোংয়াই মতুং পুং ২ মখায়দা ফ্রাঞ্চ অমসুং স্বিদেন লম্বা থেংনগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সনামহী লাইনিং মীতৈ খক্তগী নত্তে হায়বা চিফ মিনিষ্টরগী ৱাফম, বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট অধিকারিময়ুম শর্দা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌখিবা অমসুং সেক্যুরিতিনা ঙাকশেন্দুনা পোৎ পুশিল্লকপা থিংলুবগা মরী লৈননা ইরাং থোকখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙনরি।পাউশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- নহারোলগী থৌদাং, সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন,

পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, সনালৈবাক, হুইয়েন লানপাউ, গানফিউ মেল, তমেংলোং তাইমস, হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস পাউচেশিং অসিগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

সনামহী লাইনিং মীতৈ খক্তগী নত্তে মণিপুর পুম্বগীনি হায়বসি সনামহী চেং হোংবগী থৌরমদা কবুই, চোথে, মরিংনচিংবা ফুরুপশিংনা শরুক য়ারিবা অসিনা তাক্লি হায়বা চিফ মিনিষ্টর য়ুমাম খেমচান্দগী ৱাফমনা- নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেক্যুরিতিশিংনা চেকশিন্না ঙাক্লগা পোৎ পুশিল্লকপা থিংলুবদা ইরাং থোকখ্রে, লম্বীদা য়োপী য়ুংশিল্লম্বদগী পোৎ পুবা গারিশিং হোখি হায়বসিনা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- নহারোলগী থৌদাংদসু তোঙানবা মওংদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। পাউ অসি- গানফিউ মেল, তমেংলোং তাইমস, হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস য়াওনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা তোঙানবা মওংদা ফোঙলি।

বি.জে.পি প্রসিদেন্টকী লমজেল কনখৎলক্লি, শর্দা এম.পি ওইনা ৱাশক লৌখ্রে হায়বা পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

দ্রাইভরস য়ুনিয়ননা গভর্ণমেন্টকা ৱারি শান্নখ্রে, স্তিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং অহোংবা লৈরোইদৌরি হায়বসিনা- পোকফম পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

এন.আই.এ কোর্টতা সেক্যুরিতিগী চেকশিল থৌরাং খম থেংনা লৌখৎলে, কোর্ট অৱরগী মতমদা সেন্ত্রেল অমসুং ষ্টেট ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌরে হায়বসিনা- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দোলাইথাবিগী আই.দি.পিশিং মশাগী ময়ুমদা হোংজিন্নবা য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি। পাউ অসি- হুইয়েন লানপাউদা, কুকিশিংনা দোলাইথাবীদা মৈতৈশিং হঞ্জিল্লকপা য়ারোই হায়দুনা প্রোতেষ্ট তৌখ্রবা মতুংদা চহী অহুম হেন্না লাঞ্জেল্লক্লবা দোলাইথাবীগী ইমুং ১৫গী মীওইশিংনা ময়ুম য়েংবা চংবদা পাউমী য়াওনা অতোপ্পা মীওইশিং য়াওহনখিদ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী আর.দি.দিপার্টমেন্ট নেমচানা দেল্লিদা পুখ্রে, জমর্ণ তাইগর রোদ লিগেলাইস তৌনবা প্রেসর পীখ্রে হায়বসিনা- সনালৈবাক পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

--**পাউ লোইজরে**--